**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কেন্দ্রগী ঙাকশেল রাজ্য মন্ত্রি শঞ্জয় শেথ ঙসি ভারত অমদি ম্যান্মারগী ঙমখৈদা লৈবা কামজোং জিলাদা লাক্তুনা ওফিসিয়েলশিংগা উন্নখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা য়ারল পাৎকী অকোইবদা থিবা হুন্থবগী থবক চথবদা য়ান্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংবা ঙমখ্রে।

৩) ১৬ শুবা ষ্টেট ফিলম এৱার্দ ফংগদবশিংগী মীং ঙসি লাউথোকখ্রে। ‘মরৈবাক নীংবা হিরাচন্দ্র’না বেষ্ট ফিচর ফিলম তারে। ‘অন্দ্রো দ্রিমস’না বেষ্ট নোন ফিচর ফিলম তারে ।

৪) থৌবাল জিলাদা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক থিংবগী থবক কনশিল্লগনি। সরকারনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মীয়াম পুন্না শৌগৎমিন্নশি হায়রি।

অমসুং

৫) ভারতনা ফ্রান্সতগী রাফেল মেরিন ফাইটর ২৬ লৈনবা শেম শারে।

------

কামজোং (এল)ঃ কেন্দ্রগী ঙাকশেল রাজ্য মন্ত্রি শঞ্জয় শেথ ঙসি ভারত অমদি ম্যান্মারগী ঙমখৈদা লৈবা কামজোং জিলাদা লাক্তুনা জিলা থাক্কী ওফিসিয়েলশিং অমদি মীয়ামগা ৱারী শান্নখ্রে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী

মীৎয়েং মখাদা লৈবাক অসিগী অৰাং নোংপোক রাজ্যশিংদা নুমিৎ ১৫ নি খুদিংগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমমম চত্তুনা য়েংশিনগদবনি হায়বা থৌরাং অদুগী মনুং চন্না শ্রী শঞ্জয় শেথ ঙসি মণিপুরদা লাকখিবনি।

শ্রী শঞ্জয় শেথনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা থুংলবগা হেলিকোপ্তরদা কামজোংদা চৎখি। মফম অদুদা কামজোং জিলাগী তোঙান তোঙানবা সরকারগী ওফিসিয়েলশিং উন্নদুনা জিলা অসিদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনখি। লোয়ননা সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী মেম্বরশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শাখি। কামজোং এস.দি.ও ওফিসতা জিলা অসিগী অমত্তা ঙাইরবা ফুংয়ার কেন্দ্রগী এম.এল.এ- লৈসিও কৈসিংগসু মন্ত্রি শঞ্জয় শেথকা উন্নখি। শ্রী শঞ্জয় শেথ ঙসি ৮ সুবা অসাম রাইফলসকী গেষ্ট হাউসতা য়ারেক্কনি। হয়েং তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিংগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারী শারবা মতুং কামোজং থাদোক্কনি হায়রি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা য়ারল পাৎকী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংবা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ঙসি অয়ুক পুং ৮ লোম তারকপা অদুৰাইদা স্পেসিয়েল কম্মান্দো য়ুনিত অমদি ৮ শুবা আই.আর.বিগী অপুনবা কাংবু অমনা চথখিবা থিবা হুম্বগী থবক অদুদা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ১৬, ফোরতি এম.এমগী লেথোদ গন অনি, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৭ য়াওনা অতোপ্পা মখলগী নোংমৈ মরু কয়াগা লোয়ননা হেন্দ গ্রেনেদ, বুল্লেটপ্রুফ প্লেট, নোংমৈগী মেগজিন য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া ফংখি। খুৎশু খুৎলায়শিং অদু পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখিবগা লোয়ননা মখা তাবা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়রি।

ভেটেরিনারি (এল)ঃ রাজ্যগী ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি বিভাগনা শিন্দুনা মীয়ামদা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং খঙহনবা অমদি নেসনেল লাইভ

ষ্টোক মিসন ২০২৪-২৫ গী মখাদা সাইন্তিফিক ওইবা মওংদা ওক লোইবগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী জিরিবাম জিলাগী হিল ঘাৎ কম্যুনিতি হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ভেটরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি বিভাগকী দাইরেক্তর আর.কে. খোগেন্দ্রজিৎনা হায়- মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা রেবিস লায়না শন্দোরকপগী পাউ লৈরবসু জিরিবামগী ওইনা মীপাইনিঙাই ওইদ্রি। জিলা অসিদা শা-ষনশিং হিদাক কাপথোকপগী থবক মতম চানা চত্থরি। সরকারনা শেল তিংদনা শা-ষনশিং হিদাক কাপথোকবা পীরিবা খুদোংচাবশিং মীয়ামা লৌবীদুনা য়ুমগী শা-ষনশিং মতম চানা হিদাক কাপথোকপীয়ু হায়না আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা জোইন্ট দিরেক্তর এল.অরুনকুমার অমদি এল. গোজেন য়াওনা দিপ্যুতি দাইরেক্তর ঐচ. উসারানিসু অমসুং জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী নুপীশিং শরুক য়াখি।

তিকা থাবা (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ভেটরিনারি ওফিসকী মীৎয়েং মখাদা জিলা অসিগী মোবাইল ভেটরিনারি য়ুনিতকী কাংবুগা খুৎশমরগা হুই অমদি হৌদোংশিংবু রেবিস মহিক্তগী ঙাকথোকবা এন্তি রেবিস হিদাক কাপথোকপগী থৌরম কৈরাও বিত্রদা লৈবা দ য়ুথ দিভলপমেন্ট সেন্তর ক্লবকী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা হুই অমদি হৌদোং পুন্না ১০০ রোম হিদাক কাপথোকখি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল জিলাগী দি.সি- এল. নন্দকুমারনা ৭ শুবা পোসান পখৱারা ২০২৫ জিলা অসিগী দি.সি কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেল অমদি জিলা অসিগী আই.সি.দি.এস সেলনা খুৎশমদুনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিনা মচি ওইবা চীঞ্জাক চাদুনা মশা মউ ফবা খুন্নাই অমা ওইহনবগী ৱাখল্লোনশিং এপ্রিল ২২ ফাওবদা জিলা অসিগী মফম খুদিংমক্তা য়ৌহন্নবা পান্দম থল্লি।

জৈন (এল)ঃ      মহাবির জয়েন্তিনা লাকপদা মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লানা জৈন লাইনিং চৎপা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়- ভগবান মহাবির অসি শান্তি অমদি অহিংশাগী হৌরকফমনি। নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা হায়বা মহাক্কী পাউজেলনা মীওইবা খুনাইদা পুন্না হিংমিন্নবগী ঈথিল অমা ঙসি ফাওবা পীদুনা লাক্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় পুমমকা অচুম্বা লম্বীদা চত্তুনা অমগা অমগা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবগী খোঙফম অদু চেৎশিনবা ওইরসনু হায়না রাজ্যপাল মহাক্কী পাউজেলদা মখা তারি।

এৱার্দ (এল)ঃ   ১৬ শুবা ষ্টেট ফিলম এৱার্দ ফংগদবশিংগী মীং ঙসি লাউথোকখ্রে। হাওরুংবম মাইপাক সনাগী ‘মরৈবাক নীংবা হিরাচন্দ্র’না বেষ্ট ফিচর ফিলম তারে। মিনা লোংজমগী ‘অন্দ্রো দ্রিমস’না বেষ্ট নোন ফিচর ফিলম তারে।

কোনুং মমাংদা লৈবা এম.এস.এফ.দি.এফকী প্রিভিউ থিয়েটরদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মনা ফংলগদবশিংগী মীং অদু আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী কম্মিসনার এম. জোয়না লাউথোকখিবনি। ফিচর ফিলমগী কাংলুপ্তা তোঙান তোঙানবা মনা ১৮ অদুগা নোন ফিচর ফিলমগী কাংলুপ্তা তোঙান তোঙানবা ৬ কী মনা ফংগদবশিংগী মিং লাউথোকখি। জোসেফস সন হায়রিবা ফিলম অসিগী দিরেক্তর হাওবা পাৱন কুমারনা ফিচর ফিলম কাংলুপকী বেষ্ট দাইরেক্তর তারে। নুপাগী বেষ্ট এক্তরগী মনানা মরৈবাক নীংবা হিরাচন্দ্র ফিলমগী নাওরেম পাইলোতনা ফংলগনি। নুপীগী বেষ্ট এক্তরনা থম্বাল ফিলমগী পিঙ্কি সাইখোমনা ফংলগনি।

নোন ফিচর ফিলমগী কাংলুপ্তা বেষ্ট দিরেক্তরগী মনা মিনা লোংজম, বেষ্ট দেব্যুটেন্ট দিরেক্তরগী মনানা ক্বাথা ফম কাবা হায়রিবা ফিলম অসিগী দিরেক্তর খাবা মাইবমনা ফংলগনি। মনাশিং অসি ১৮ লক শুবা মমি নুমিৎ অমদি ৫ রক শুবা চান্দ সিনে আর্কাইবস এন্দ ম্যুজিয়মগী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি লাউথোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা শকাইরবা ফিলম মেক্কর রোমি মৈতৈনা হায়- হৌখিবা চহি অনিরোম অসিদা ফিলম পুথোকপগী চাং নেম্লবসু এৱার্দ অসিগীদমক পীখৎলক্লিবা ফিলম খরা অসিদা ফজবা, মতিক ময়াই লৈবা ফিলমশিংসু য়াওবা থেংনখি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল জিলানা কোনবা মফমশিংদা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুনে দাকপা প্লাষ্টিক থিংবগী থবক লাক্লিবা এপ্রিল ২৫ দগী হেন্না কনশিল্লগনি হায়না জিলা অসিগী দি.সি অহন্থেম শুবাসনা ফোংদোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিন্দুনা দি.সিগী কনফরেন্স হোলদা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক থিংবগী মতাংদা পাঙথোকপা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা দি.সি. অহন্থেম শুবাসনা হায়- জিলা অসিগী ওইনা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিকশিংদা থম্বা অথিংবা অদু হেন্না কনশিনদুনা তোঙান তোঙানবা দ্রাইভশিং চখুনবগীদমক মীওই ২০-২০ না শাবা ইন্সপেক্সন টিম ২০ শেল্লে। মসিবু য়েংশিন্নবা জিলা থাক্কী টাক্স ফোর্স অমসু শেমলে হায়খি। অমরোমদা, জিলা অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা হোল সেল নত্রগা রিটেল ওইনা পোৎ চৈ য়োল্লিবশিংনা অমুক্তং শিজিন্নরগা প্লাষ্টিকশিং শিজিন্নবা অমদি য়োনবা লেপ্লীয়ু। করিগুম্বা হায়রিবা প্লাষ্টিক মখল অসি শিজিন্নবা অমদি য়োনবা থেংনরবদি আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগকী দিরেক্তর ডাঃ ব্রজকুমারনা হায়- হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা ভারত পুম্বগী ওইনা প্লাষ্টিক ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট রুলস চৎনবা হৌখ্রবনি। মণিপুরদসু কুমজা ২০২২ দগী অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক মখল ১৮ শিজিন্নবদা অথিংবা থমখ্রবনি। অদুবু ষ্টোকতা লৈহৌবা প্লাষ্টিকশিং লোইশিনখিবা ঙাইদুনা লৈরকপনি। সরকারনা চংশিল্লিবা প্লাষ্টিক থিংবগী খোঙজং অসিদা মীয়াম পুন্না শৌগৎমিন্নশি।

ৱাংগোই (এল)ঃ জোনেল ইজ্‌কেসন ওফিস ৱাংগোইনা শিন্দুনা ঙসি ৱাংগোই হাইস্কুলদা চিলড্রেন ৱিথ স্পেসিয়েল নিদস (সি.দব্লিউ.এস.এন)গী নোংমগী ওইবা জোনেল থাক্কী মেদিকেল এসেসমেন্ট কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সি.দব্লিউ.এস.এনশিংগী য়ু.দি.আই.দি রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী থবকশিংসু পায়খৎখি। পুন্না দিফরেন্টলিএবল মহেরোই ১৫০ রোম শরুক য়াখি।

তমেংলোং (এল)ঃ কোনশা খুলগী খুঞ্জাশিংদা খুৎ থারকপগী থৌওংবু রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মণিপুর (আর.এন.সি.এম)না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংদুনা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীনবা লুপ অসিনা তকশিল্লক্লি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী কৈকাউ খুলদা ইকো তুরিজমগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। খুল অসিগী মনুং চন্না লৈবা অরাই বেট কেভ অমদি মসিগা থংননা লৈরিবা নেচরেল স্বিমিং পুল অনি অসিনা লম কোইবশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা তোঙান তোঙানবা থবকশিং পায়খৎনবগী পান্দমদা থৌরম অদু পাঙথোকপনি। মদুদা তমেংলোংগী দি.এফ.ও, কৈকাউ খুলগী চেয়ারমেন, তমেংলোং অমদি তৌশেমগী আর.এফ.ওশিং শরুক য়াখি।

রাফেল ঃ ভারতনা ফ্রান্সতগী রাফেল মেরিন ফাইটর ২৬ লৈনবা শেম শারে। ঙাকশেলগী পাউ অমনা হায়- রাফেল মেরিন এয়ারক্রাফট ২৬ অদুগী মনুংদা ২২ দি সিঙ্গল সিত্তর ওইগনি অদুগা মরিনা দবল সিত্তর ওইগনি হায়রি। লৈগদৌরিবা এয়ারক্রাফটশিং অসি ভারত নেভিগা চান্নগদবা মওংদা শেম শাহনগনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি। রাফেল মেরিন এয়ারক্রাফটশিং ভারত নেভিদা হাপচিল্লকপা অসিনা লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী লমদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি। ফাইটর এয়ারক্রাফটশিং অসি ভারতকী এয়ারক্রাফট কেরিয়র অনি- আই.এন.এস. বিক্রমাদিত্যা অমদি আই.এন.এস বিক্রান্টতা

দিপ্লোই তৌগনি হায়রি। এয়ারক্রাফটশিং অসিদা মতমগা চান্নবা এদভান্স ৱিপন সিষ্টেম অমদি মিসাইলশিংসু হাপকনি হায়রি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা স্লোভাক রিপাব্লিক্কী রাষ্ট্রপতি পিতর পেলেগ্রিনিগা লৈবাক অনিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। স্লোভাক রিপাব্লিক্কী ব্রটিসলাভাদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা ভারতকী কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রি নিমুবেন বমভালিয়া অমদি সংসদকী সদস্য ধবল পাতেল অমদি সন্ধ্যা রে য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। রাষ্ট্রপতি পিতর পেলেগ্রিনিনা লৈবাক অনিগী মরী চেৎশিনহন্নবা থস্কখিবা থাজবশিংবু ভারতকী রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা থাগৎপা ফোংদোকখি। ভারতকী এম.এস.এম.ই অমদি স্লোভাক রিপাব্লিক্কী নেসনেল স্মোল ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিতেদ অনিগী মরক্তা মতেং পীনবা অমদি সুস্মা স্বারাজ ইন্সটিট্যুট ওফ ফোরেন সার্ভিস অমদি স্লোভাক মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এন্দ য়ুরোপিয়ান এফ্যারস অনিগী মরক্তা মতেং পাংননবা এম.ও.য়ু অনি সহি তৌনখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

গেমস (এল)ঃ স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা রাজ্যগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস বিভাগনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথুরিবা ৬৮ নেসনেল স্কুল গেমস চেম্পিয়নসিপ ২০২৪-২৫ দা মণিপুরনা থাং তা ইভেন্ট সনাগী তকমান মরি ফংবা ঙমলে। মসিগী তকমানশিং অসি থারগা থাং তা মশান্নদা মণিপুরনা হৌজিক ফাওবদা সনাগী তকমান ৮ ফংবা ঙমদুনা মেদল টেল্লিদা অহানবা মফমদা লৈরি।

কাং (এল)ঃ অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-নম্বোলনা থাংমৈবন্দবু পাঞ্জল ১৭-১৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ  অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর টোইন্তি থ্রি ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা- সেদো থাংমৈবন্দনা পি.টি.আর.সি পাৎশোইবু রন ৯ দা মায়থিবা পীখ্রে। সেদো থাংমৈবন্দগী শাপম কেব্রিয়ানা প্লেয়ার ওফ দি মেটচকী মনা ফংখ্রে।

সেদোক গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্ পার্ট টু পেচু লম্পাকপু রন ১৯৫ দা মায়থিবা পীখি। এ.কে.এস.দি.ওগী তানিয়া নিংথৌজমনা প্লেয়ার ওফ দ মেটচকী মনা ফংখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ  মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিনবা অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা- বি.এস.সি ব্রহ্মপুর শঙ্গাই চুথেকা চেম্প খাগেমপল্লিবু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ  লোইতোংবম শরত সিংহ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট ৱিমেন্স ফুটসাল ইন্তর ক্লব চেম্পিয়নসিপ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এফ.সি. ইম্ফালনা দ য়ং ৱেলফ্যার ক্লবপ্ পাঞ্জল ৫-৪ দা, মণিপুর য়ুনাইতেদ এফ.এনা খুমন এফ.এবু পাঞ্জল ১৩-২ দা, য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লবনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ৭-৪ দা মায়থিবা পীখি।

ফুটবোল (এল)ঃ  এল.এম.এল.সি.সি. লাংমৈদোংনা শিনবা মঙাশুবা ষ্টেট লেবেল ওপন নাইন মেন এ সাইট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ঙসি এফ.সি. লমজাউনা ৱাংখেম এফ.সি এলাংখাংপোকপীবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

------